পনবীয়ু নহাক্কী পান

অরোইবা তারিখ
মার্চ ১৫

# এদভান্স টেক্স

ঙসি হায়বদি
**মার্চ ১৫, ২০১৬**
অসি নহাক্কী এদভান্স টেক্স থিনবগী অরোইবা তারিখনি
(কম্পেনিশিংগী ওইনা ৪ শুবা ইন্সটোলমেন্ট অমসুং অতৈ টেক্সপেয়রশিংগী ওইনা ৩ শুবা ইন্সটোলমেন্ট)

নহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবিয়ু
**মার্চ ৩১, ২০১৬** ফাওবগী মনুংদা
(এসেস তৌরীবা চহীশিং ২০১৪-১৫ অমসুং ২০১৫-১৬, হান্না ফাইল তৌখিদবা ওইরবদি)

**কনানা থীগনি ?**
- ছোর্সতা টেক্স ককখিবদগী/লৌখিবদগী হন্থরগা শেনবা চহীগী টেক্স লাইএবিলিটিগী শেনফম লুপা ১০,০০০/- নৎত্রগা মসিদগী হেনবা তোলোপ চাবা ইমপ্লোয়ী য়াওনা এসেসী খুদিংমক।
- বিজনেস/প্রোফেসনদগী ইনকম তান্দবা রেজিদেন্ট সিনিয়র সিটিজন (চহী ৬০ শুরবা নৎত্রগা হেল্লবা মীওই) দি থীরোই।

**করম্না থীগনি ?**
- ইনকম টেক্স এক্টকী সেক্সন ৪৪ এ বিগী মখাদা একাউন্টশিং ওদিট তৌবা চঙবা কোরপোরেট অমসুং অতৈ এসেসী পুন্নমক ই-পেমেন্ট তঙাইফদে।
- টেক্সপেয়রনা থাগৎখিবা দেটাদা য়ুম্ফম ওইরগা অচুম্বা ক্রেদিট ওইহনবনা অতৈ টেক্সপেয়রশিংগীসু ই-পেমেন্টনা খুদোংচাই।

**কদাইদা থীগনি ?**
- ওথোরাইজ বেঙ্ক ৩০ গী নেট বেঙ্কিং ফেসিলিটিগী খুথাংদা ই-পেমেন্ট তৌবা য়াই।
- বেঙ্ক ১৩ গী এ টি এম।
- চেগী চলান (আই টি এন এস ২৮০) গী খুথাংদা ওথোরাইজ বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ অমদা হেক্তা।

ভিজিট তৌবীয়ু www.incometaxindia.gov.in
- ওথোরাইজ বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং খঙনবা।
- চলান ফোর্মশিংগীদমক্তা।
- ই-পেমেন্ট তৌনবা।
- চলান ষ্টেটস ইনক্বাইরিগীদমক্তা।

davp 15401/13/0100/1516

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
www.incometaxindia.gov.in
@IncomeTaxIndia


# এ কে জদানন্দনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৪ ঃ

সিক্কিমগী কোনুং গেংটোক্তা হৌখিবা তাং ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ দা মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখিবগা লোয়ননা লমদমসিগী শক্লাইরবা বোদি বিল্ডর এ কে জদানন্দা মীতৈনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তারকখ্রে।

ঙরাং লোইশিনখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা এ কে জদানন্দনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাদুনা মোটোর সাইকল অমা প্রাইজ ওইনা পীখিবগা লোয়ননা শেলগী মনা কয়াসু ফংখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চুপ্লা পাঙথোকখিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী বোদি বিল্ডর তরেৎনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মেদল কয়া লৌরক্লুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা টিম চেম্পিয়নগী মনাসু ফংলকখিবনি।

ইষ্টর্ন ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট তরেৎতগী লাকপা অপূনবা বোদি বিল্ডর ৮৭ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন তাখিবগা লোয়ননা য়ূম্বু ওইরিবা সিক্কিমনা রন্নর্স-অপ তাখি।

মণিপুর টিম অসি ও প্রেমকুমারনা টিম কোচ অদুগা ঈ ইনাওনা টিম মেনেজর ওইনা শরুক য়াখি। চাউনা মায় পাক্লবা মণিপুর বোদি বিল্ডিং টিমগী মশক নাইরবা বোদি বিল্ডর এ কে জদানন্দনা কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা অহানবা পোজিশন তাখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়নগী মনা লৌরকখিবনি।

কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা এ সুসিল কুমারনা অনীশুবা পোজিশন তারকখি। কেজি ৬৫ কী কাঙলুপ্তা কে ঐচ দোরেন্দ্রোনা অনীশুবা পোজিশন তারকখি। কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা কে লোথর, কেজি ৬৫ কী কাঙলুপ্তা ঐচ মিনকেটননা অহুমশুবা পোজিশন তারকখি। এল কিরন্না কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা মরিশুবা পোজিশন অদুগা কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা এম রনবানা মঙাশুবা পোজিশন তারকখি।

মণিপুর টিম্না ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা চাউনা মায় পাক্লুনা টিম চেম্পিয়ন তারকপদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন্না নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# রাজবাপু মেমোরিএল জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ ঃ

য়ঙ মেন দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (ৱাই এম দি ও) হৈরাঙ্গোইথোং ৱেষ্টনা শিন্দুনা মরিশুবা এল রাজবাপু শর্ম্মা মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ কেশ প্রাইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসিদগী টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা হৈরাঙ্গোইথোং ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চৎথবা হৌখ্রে।

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই এম দি ওনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯ ফাওবা চৎথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা ৱাই এম দি ও (য়ু) হৈরাঙ্গোইথোং, আই জি ও ওইনাম, বি ৱাই সি চুরাচান্দপুর অমসুং য়ু সি ৱাঙ্গোই লাইফ্রাকপমনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংদি ভি এস এ মোইদাংপোক, এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম, এস য়ু দব্লিয়ু সি নম্বোল ইরেংবম অমসুং ৱাই এম দি ও টিম এস হৈরাঙ্গোইথোংনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱাই এম দি ও টিম এ হৈরাঙ্গোইথোংনা আই জি ও ওইনাম সেট ৩-১ (২৫-১৯, ২৫-২২, ১৮-২৫, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চৎথরকপা ওইনা হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদগী চৎথদুনা মেচ মরি শান্নগনি। অহানবা মেচ বি ৱাই সি চুড়াচান্দপুর অমসুং আই জি ও ওইনামগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ ভি এস এ মোইদাংপোক অমসুং এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেমগা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচ এস য়ু দব্লিয়ু সি নম্বোল ইরেংবম অমসুং ৱাই এম দি ও (এস) হৈরাঙ্গোইথোংগা শান্নগনি। মরিশুবা অমসুং অরোইবা মেচ ৱাই এম দি ও (য়ু) হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং য়ু সি ৱাঙ্গোই লাইফ্রাকপমগা শান্নগনি।

# কংলৈপাক ত্রোফিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মহুৎ শিনগদবা ফুটবোল্লরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ ঃ

থা অসিগী ২৩ দগী ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈপাক ত্রোফি জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা ফুটবোল্লর ১৮ খনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী টেক্নিকেল কম্মিটিনা ফাইনেল ওইনা মখোয় মখোয়না পীখিবা পার্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না খল্লবা ফুটবোল্লরশিং অদুদি বি এম এস সি তাওবুংখোক্তগী এস সনাতোন, এল হেলিম, টি ঐচ নিলকান্তা, এন তোনদোনবা, টি ঐচ কিষন, এ কে নোংঙানবা অমসুং টি ঐচ সন্তোসনি।

এস কে ৱাই সিদগী মাষ্টর থানিল, মাষ্টর তোম্বা, এল রোকি, ৱাই দব্লিয়ু সি মালোমদগী ৱাই দিলিপকুমার, এল মোনিস, কে ঐচ জোহেন, থাও থাংমৈবন্দগী এল সনা, ক্রিপসা নাওরেমথোংদগী মাষ্টর সনাথোই, চিকল চজিংদগী এস ঐচ নেত্রজিৎ, এস কে ৱাই সিদগী এন জি জেনিস অমসুং এম টি এস য়ু মালোমদগী অনাও গোলমৈনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা টিম মেনেজর এন দেবেন, টিম কোচ কে সমাজিৎ অমসুং টিম ওফিসিএল এল দেবচন্দ্রদা থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা মালোমদা লৈবা ৱাই দব্লিয়ু সিগী গ্রাউন্দদা মশা মশাগী ফুল কিটসকা লোয়ননা লাক্নুনা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ঐচ চেতননা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।


IS YOUR CHILD "AT RISK" FROM HEARING LOSS



# Family history of permanent hearing loss
# Exposure to infection before birth
# Use of ototoxic drugs by mother during pregnancy
# Congenital anomalies of ear
# Bad jaundice / head injury
# Low birth weight babies

Your child will develop no speech if born with Hearing Loss at birth. Get your baby tested at birth or within 1 month of birth.

NATIONAL PROGRAMME FOR PREVENTION AND CONTROL OF DEAFNESS
PRESERVE HEARING
NATIONAL HEALTH MISSION

Newborn Hearing Testing is done in RIMS, Lamphelpat & JNIMS, Porompat, Imphal

HL-B/3002/15



See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur




Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon

HL-B/2987/1-30March